# ‘অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী চাং হেনগৎলক্লবসু ঙাকথোক্লবা থবক কা হেন্না পায়খৎপা উদ্রি’



গুৱাহাটি, জুলাই ২৬ (এজেন্সি): লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ শন্দোকপগী চাং খঙহেন হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা মীশি মীনা য়াওবা হৌরক্লবসু লায়না লায়চৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা কা হেনবা চেকশিন থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপদি উদ্রি হায়না রিপোর্টশিংনা হায়রি।

রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিং মরুওইনা অসাম, মণিপুর, নাগালেন্দ, ট্রিপুরা অমসুং মিজোরামদা কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী চাং অসি হান্নদগী হেনগৎলকখিবনি। অদুবু হায়রিবা ষ্টেটশিং অসিদা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা শেমখিবা চৎন-কাংলোনশিং ঙাক্লা চৎপা উদ্রি অমদি মরী লৈনবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু কোভিদ-১৯ অমুক হন্না শন্দোকপা হৌরক্লিবা অসি থিংনবগী মতাংদা চেকশিন থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপগী মমি কা হেন্না উদ্রি।

অদুম ওইনমক লায়চৎ অসিগা মরী লৈননা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংগী মনুং চন্না ট্রিপুরা গভর্নমেন্টনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না য়ুমদগী মপান থোরকপা মতমদা ফেস মাস্ক উপ্পবা খঙহনখ্রে অমদি করিগুম্বা মীয়াম তিনবা মফমদা ফেস মাস্ক উপ্পমদবা থেংনরবদি লুপা ২০০ ফাইন লৌগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রে।

মণিপুরগী ওইনসু ষ্টেট অসিদা লৈরিবা গভর্নমেন্ট, এইদেদ অমদি প্রাইভেট স্কুলশিংগী ওইনা থা অসিগী ২৪ ফাওবা সম্মর ভেকেসন থারম্ব অদু মথং থাগী ৭ ফাওবা শাংদোকখ্রে। অসামগী ওইনদি হান্না লৈরম্বা পোজি টিভিটি রেটতগী হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা খঙহেন হেনগৎলকখ্রবসু কা হেন্না মীপাইনিঙাই ওইদ্রি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মাস্ক উপ্পবদি মীয়ামদা খঙহনখ্রে। মিজোরাম অমসুং নাগালেন্দগী ওইনসু ফেস মাস্ক উপ্পবা মরী লৈনবশিংনা খঙহনবা লৈখ্রে। অদুবু অকনবা রেষ্ট্রিক্সন লৈতবনা মরম ওইরগা হায়রিবা ষ্টেটশিং অসিদা কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা চৎন-কাংলোনশিং কা হেন্না ঙাক্ত্রিবা অসি খুদোংথিনিঙাই ওই হায়রি।



দিপার্টমেন্ট ওফ কম্মর্স, এম য়ু অমদি সম্ভরধিনি ন্যাস, মণিপুর প্রান্টনা শিন্দুনা এম য়ুগী কোর্ট হোলদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা দিসকোর্সকী থৌরম

## দিব্রুগর টি ফেক্টরিদা থোকখিবা এক্সিদেন্ট অদুগী মতাংদা থিজিন্নবা এ এ পিনা তকশিনখ্রে



দিব্রুগর, জুলাই ২৬ (এজেন্সি): অপ্পর অসামগী দিব্রুগরদা লৈবা লেপতাকত্তা টি ফেক্টরিদা থোকখিবা এক্সিদেন্ট অমনা মরম ওইরগা ফেক্টরি অসিদা থবক শুবী শিন্মী অমগী পুন্সি তম্বা ঙমদবা ফিভম অমদা লৈরি। মরম অদুনা টি ফেক্টরি অসিদা থোকখিবা এক্সিদেন্ট অসিগী মতাংদা চপ চানা থিজিন্দুনা মরাল লৈবশিং অথুবা মতমদা ফাদুনা চৈরাক পীনবা হোৎনগদবনি হায়না আম অদমি পার্টি (এ এ পি) গী ৱিমেন ৱিংনা অকনবা মওংদা তকশিনখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা দিব্রুগরদা পাঙথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা এ এ পি ৱিমেন ৱিংগী ষ্টেট কনভিনর অনামিকা দাসনা হায়, মশাগী চহী ২৪ খক্তমক ঙাইরিবী টি ৱার্কর মীনা নায়কপু এক্সিদেন্ট থোকহন্দুনা শোকহনখিবা থৌদোক্তা চেন্নরিবা মীওইশিংগী মথক্তা পুলিসনা কেস অমা লৌখত্তুনা খুদক্তা মখোয়বু ফাগদবনি। গভর্নমেন্টনসু হিরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা মরাল লৈবশিং অথুবা মতমদা ফাদুনা মরালগী চপ চাবা চৈরাক পীগদবনি হায়রি।

অমরোমদা কা হেন্না শোকপদগী হোস্পিটালদা শিবা চংবা খঙবা ঙমদনা লৈরিবী মীনা নায়ক্কী অশোকপগা মরী লৈননা অপীকপা শেনফম খরা কম্পেন্সেসন ওইনা পীনবা ওফর তৌরক্লিবা অসিনা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদি য়ারোই। টি ফেক্টরি অসিদা মমাং মতমদসু টি ৱার্করশিং অশোক অপন নংবগী থৌদোকশিং থোকখ্রে। টি ফেক্টরি অসিগী মেনেজমেন্ট শোয়বনা মরম ওইরগা অসিগুম্বা লাইবক থিবা থৌদোকশিং অসি থোক্লিবনি। মখা তানা অসিগুম্বা থৌদোক অসি থোকহন্দনবা মথৌ চেকশিন্দবা মেনেজমেন্টকী মীওইশিং ফাদুনা চৈরাক পীগদবনি হায়রি।

## অসামগী বজালিদা বাইক থৌবা হুরানবা খরনা নুপী অমদগী লুপা লাক্ষ ২ লাক্তুনা চেনখ্রে

বজালি, জুলাই ২৬ (এজেন্সি): অসামদা য়াম্না তোয়না থোকপা থৌদোকশিংগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু ষ্টেট অসিগী মনুং চনবা বজালিদগী বাইক থৌবা হুরানবা খরনা নুংথিল পোবোপ্তা নুপী অমদগী লুপা লাক্ষ ২ লাক্তুনা চেনখ্রে হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি। লৈরম্বা বাইক থৌবা মীওইশিং অদুনা নুপী অদুনা পায়রকখিবা পৈশা হাপ্পা বেগ অদু লাক্তুনা চেনখিবনি। মনাক নক্লা লৈরম্বা মীওইশিংনা বাইকরশিং অদু থৎনবা হোৎনরবসু কা হেন্না য়াঙনা থৌখিবনা মরম ওইরগা থৎপা ঙমখিদে। অমদি মফম খঙদনা মখোয়শিং অদু মাঙখিবনি হায়রি।

পুলিসনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না ভিক্টিম ওইহৌরবি নুপী অদু বজালি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কুমারপারা ভিলেজদগী অঞ্জলি চৌধুরি কৌই হায়বা খঙবা ঙমখ্রে। থৌদোক অসি পাথসলাদা লৈবা ভট্টদেব য়ুনিভর্সিটি মনাক্তগা থোকখিবনি। নুপী অসিনা য়ুনিয়ন বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াদগী শেনফমশিং অসি কায়থোক্লুরবা মতুং ময়ুমদা হল্লকপগী লম্বীদা হান্না ঙাইদুনা লৈরম্বা বাইক থৌবা মীওইশিং অদুনা নুপী অদুনা পায়রকখিবা পৈশা হাপ্পা বেগ অদু লাক্তুনা চেনখিবনি।

বজালি দিষ্ট্রিক্তা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা বাইক তোংদুনা লাকপশিংনা সনা থৎপা অমদি পৈশা লাক্তুনা চেনখিবগী থৌদোক তোয়না থোরক্লি। মসিনা মরম ওইরগা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মরুওইবা মফমশিংদা অহেনবা পুলিস ফোর্সশিং দিপ্লোয় তৌদুনা মথৌ তৌহন্নবা মায়কৈ কয়াদগী তকশিল্লক্লি। অমরোমদা পুলিসনা থৌদোক অসিগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎখ্রে হায়রি।

## ফূদ দেলিভরি এজেন্ট অমা বেঙ্গলুরুদগী ফারে

গুৱাহাটি, জুলাই ২৬ (এজেন্সি): কর্নতকা পুলিসনা অসামদগী ফূদ দেলিভরি এজেন্ট অমা লালহৌবগা মরী লৈনরম্বা য়াই হায়না চিংনবদগী বেঙ্গলুরুদগী ফাখ্রে হায়না রিপোর্টশিংনা হায়রি।

কর্নতকা পুলিসকী সেন্ট্রেল ক্রাইম ব্রাঞ্চনা ফারবা মীওই অদুগী মমিং অখথর হুসেন কৌই। মহাক বেঙ্গলুরুগী টিলকনগর এরিয়াদগী নহা ওইরিবা মীওইশিংবু রিক্রুইট তৌনবা হোৎনরমখিবনি। করম্বা পার্টিগীদমক মহাক্লা রিক্রুইট তৌনবা হোৎনরমখিবনো হায়বগী মতাংদা চপ চাবা ইনফোর্মেসন অমত্তা পুলিসনা খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু হায়রিবা মীওই অসি লোনা অথিংবা থমখ্রবা লালহৌলূপ খরগা মরী লৈনবা মীওইনি হায়বদি কনফার্ম তৌবা ঙল্লে। থা খরগী মমাংদসু মহাক লালহৌবগা মরী লৈনবগী কেসতা পুলিসনা ফারুবা লৈখ্রে। মদুগী মতুং অসাম থাদোক্তুনা মহাক বেঙ্গলুরুদা লাকখিবনি হায়রি।

## স্কুল বসশিংদা কেমেরা ইন্সটোল তৌনবা খঙহনখ্রে

গুৱাহাটি, জুলাই ২৬ (এজেন্সি): অসামগী ওইনা স্কুল বস সর্বিস তৌরিবশিংনা সী সী টি ভি কেমেরা বস মনুংদা ইন্সটোল তৌনবা অসাম ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা খঙহনখিবগা লোয়ননা করিগুম্বা ওর্দর অসি ইল্লমদবা বসশিংদগী পেনালটি ওইনা লুপা ১০,০০০ লৌগনি হায়না এসিষ্টেন্ট ট্রান্সপোর্ট কম্মিস্নর, কামরুপ (মেট্রো) গৌতম দাসনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্লা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না সুপ্রিম কোর্টকী গাইদলাইন্স মতুংইন্না ষ্টেট গভর্নমেন্টনা স্কুল অঙাংশিংগী বস সর্বিস তৌরিবা খুদিংমক্লা বস মনুংদা সী সী টি ভি কেমেরা ইন্সটোল তৌহন্নবা ফিরেপ অসি লৌরকখিবনি। হায়রিবা অসি লন্নাই ওইনা মহৈরোয়শিংগী বস সর্বিস তৌরিবশিংনসু ইনগদবনি। স্কুল বসশিংদা মহৈরোয়শিংনা তোংদুনা চৎপা মতমদা খুদোংথিবা থোকহল্লক্কদবদগী ঙাকথোকপা ঙম্নবা মরী লৈনবশিংনা খঙহল্লিবা ৱাফমশিং অসি অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোক্কদবনি হায়রি।

## মেঘালয়া বি জে পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট মারাককী মতাংদা থিজিন্নবা কোংগ্রেসনা তকশিনখ্রে

শিল্লোং, জুলাই ২৬ (এজেন্সি): মেঘালয়াগী বি জে পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট বর্নাদ মরাকনা অরানবা মওংদা মহাক্কী ফার্ম হাউস অদুবু ৱ্রোথেল অমগুম শিজিন্নরম্মী হায়না পুলিসনা চার্জ তৌখ্রবা মতুং ষ্টেট অসিদগী খঙহৌদনা অতোপ্পা ষ্টেটতা চেনখিবনি। অদুবু মেঘালয়া পুলিসকী টিম অমনা মহাক ঙসি উত্তর প্রদেশতগী ফারে হায়রি।

পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা, অকক্লবা পাউ অমা ফংলবা মতুং মহাকপু ষ্টেট পুলিস টিম অমনা য়ু পিগী হরপুরদগী ফাবা ঙমখিবনি। অথুবা মতমদা মহাক মেঘালয়া ষ্টেটতা পুরক্তুনা ৱাহং পাউহংগী থবক মখা চথরগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি মেঘালয়া পুলিসনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা তুরাগী রিম্পু বগানদা লৈবা বর্নাদগী ফার্ম হাউসতা পুলিসনা খুদক্কী ওইবা রেইদ চথখি। মদুদা মীওই কয়া মফম অদুদা শানৈ য়ুনৈদুনা লৈরম্লগা লোয়ননা সেক্সুয়েল এক্টিভিটি কয়াসু চথরম্বা থেংনরকখিবনি। বর্নাদগী ফার্ম হাউসতা চথখিবা রেইদ অসি চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা মফম খঙদনা মাঙখিবা চহী নৌরিবী নুপীমচা অমগী কেসকা মরী লৈননা চথখিবনি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৮ দা চহী নৌরিবী নুপীমচা অমা মাঙখিবগী কমপ্লেন অমা লাকখি। চয়োল অমরোম থিরবা মতুং নুপীমচা অদু চিংননিঙাই ওইবা নুপা অমগা লোয়ননা ফংবা ঙমখি। মদুগী মতুং ভিক্টিম নুপীমচা অদু নুপী পুলিস টিম অমদা শিন্নরবা মতুং ষ্টেটমেন্ট লৌবদা হায়রিবা বর্নাদকী ফার্ম হাউস অদুদা মহাকপু ফাদুনা পুরবা মতুং নুপী ওইবীগী ইকাইখুম্নবা মাঙহনখি। মহাক্তা নত্তনা অতোপ্পা নুপীমচা কয়াসু মফম অদুদা পুরক্তুনা সেক্স ৱার্কর ওইনা শিজিন্নৈ হায়না ষ্টেটমেন্ট পীরকখি। ষ্টেটমেন্ট অসিগী মতুংইন্না ফার্ম হাউস অসিদা রেইদ চথখিবনি হায়না ৱেষ্ট গারো হিলসকী এস পি ভি এস রাথোরনা ফোঙদোরক্লি।



CROSSWORD-3597



**ACROSS**

1 Street musician (6)
4 Steady (6)
8 Scarcely sufficient (5)
9 Endurance, staying power (7)
10 Glowing (7)
11 Portion (5)
12 Occurring repeatedly (9)
17 Composition for nine performers (5)
19 Deposit (anag) (7)
21 Brought about (7)
22 Invited (5)
23 Water ice (6)
24 Soldier on watch (6)

**DOWN**

1 Informal French restaurant (6)
2 Defamation (7)
3 Additional (5)
5 Crush underfoot (7)
6 Cloth for card-tables (5)
7 Tooth surface (6)
9 Soaked (9)
13 Skin at the base of a nail (7)
14 Dense mass of trees or shrubs (7)
15 Tomfoolery (6)
16 Lethal (6)
18 Lowest point (5)
20 Location (5)

**Solution 3596**



SOLUTION ON NEXT ISSUE

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-3998

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | 1 | 8 | |
| | | | | 1 | | 5 | | |
| | | 3 | 7 | 8 | | | 2 | 4 |
| 9 | | 7 | | | 2 | 4 | | |
| 4 | 3 | | | | | | 9 | 8 |
| | | 2 | 8 | | | 7 | | 5 |
| 8 | 5 | | | 3 | 7 | 6 | | |
| | | 1 | | 4 | | | | |
| | 7 | 9 | | | | | | |

## Solution-3997

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 9 | 3 | 1 | 2 | 4 | 6 | 8 | 5 |
| 8 | 2 | 5 | 7 | 9 | 6 | 1 | 3 | 4 |
| 1 | 4 | 6 | 3 | 5 | 8 | 9 | 7 | 2 |
| 9 | 5 | 2 | 4 | 8 | 1 | 3 | 6 | 7 |
| 6 | 7 | 4 | 9 | 3 | 5 | 2 | 1 | 8 |
| 3 | 8 | 1 | 2 | 6 | 7 | 4 | 5 | 9 |
| 2 | 3 | 7 | 5 | 1 | 9 | 8 | 4 | 6 |
| 4 | 1 | 8 | 6 | 7 | 2 | 5 | 9 | 3 |
| 5 | 6 | 9 | 8 | 4 | 3 | 7 | 2 | 1 |

## EMPLOYMENT NEWS

### OIL INDIA RECRUITMENT 2022 FOR RETAINER DENTAL SURGEON

Oil India Retainer Dental Surgeon Recruitment 2022: Advertisement for the post of Retainer Dental Surgeon in Oil India. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 08 August 2022. Candidates can check the latest Oil India Recruitment 2022 Retainer Dental Surgeon Vacancy 2022 details and apply online at the www.oil-india.com/ recruitment 2022 page.
Oil India Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.oil-india.com/. Oil India selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of www.oil-india.com/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Oil India
invites applications for recruitment of Retainer Dental Surgeon
Retainer Dental Surgeon
Job Location:
Limited Duliajan , Dibrugarh, 786602 Assam
Last Date: 08 August 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Post Posts
Oil India Recruitment 2022 Retainer Dental Surgeon Job Vacancies Apply Online Application
Company Oil India
Job Role Retainer Dental Surgeon
Education Requirement
Experience 2 - 5 years
Salary 85000
Posted on 21 Jul, 2022
Walkin Date 08 Aug, 2022
Educational Qualification: • Bachelor of Dental Surgery (BDS) from a University recognized by Government of India.
Experience: • Must have minimum 02 (Two) year experience after getting registered as a dental practitioner by Government of India and completion of 01 (One) compulsory internship.
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 85000
Age Limit: Minimum age: 18 years Upper age limit: 50 years as on date of registration for Walk-in Interview.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Retainer Dental Surgeon in Oil India.
How to Apply:
08/08/2022 is the Walkin date for Oil India Recruitment 2022. Candidates must reach the venue on time and also carry the required things for the interview. The details about the walkin process will be stated in the official notification. Get the notification PDF from the link provided below.
Important Dates:
Published on: 22 July 2022
Last date for application is: 08 August 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### NIPER GUWAHATI RECRUITMENT 2022 FOR INCUBATION MANAGER

NIPER Guwahati Incubation Manager Recruitment 2022: Advertisement for the post of Incubation Manager in NIPER Guwahati. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 08 August 2022. Candidates can check the latest NIPER Guwahati Recruitment 2022 Incubation Manager Vacancy 2022 details and apply online at the www.niperguwahati.ac.in recruitment 2022 page.
NIPER Guwahati Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.niperguwahati.ac.in. NIPER Guwahati selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Kamrup. More details of www.niperguwahati.ac.in recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
National Institute of Pharmaceutical Education and Research Guwahati (NIPER Guwahati)
invites applications for recruitment of Incubation Manager
Incubation Manager
Job Location:
Sila Katamur , Kamrup, 781101 Assam
Last Date: 08 August 2022
Employment Type: Full Time
NIPER Guwahati Recruitment 2022 Incubation Manager Job Vacancies Apply Online Application
NIPER Guwahati Recruitment 2022 Incubation Manager Job Vacancies Apply Online Application Recruitment 2022 Details
Company NIPER Guwahati
Job Role Incubation Manager
Education Requirement
Total Vacancy 1 Posts
Job Locations Kamrup
Experience 5 - 10 years
Salary 75000 - 100000
Posted on 21 Jul, 2022
Last Date To Apply 08-08-2022
Educational Qualification: Ph.D. in Life Sciences/ Natural Products or allied areas from a reputed institute with a minimum of 5 years of experience in entrepreneurship development, business development/ alliance integration/ strategy planning in a reputed organization. Working experience related to healthcare and bio-innovation startups.
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 75000 - 100000
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Incubation Manager in NIPER Guwahati.
How to Apply:
Candidates must apply for NIPER Guwahati Recruitment 2022 before the last date announced. Candidates, who apply for the NIPER Guwahati Recruitment 2022, can follow the procedure given to apply.
Step 1: Visit the official website of NIPER Guwahati niperguwahati.ac.in
Step 2: Search the notification for NIPER Guwahati Recruitment 2022
Step 3: Clearly read all the details given on the notification
Step 4: Check the mode of application as per the official notification and proceed further
Important Dates:
Published on: 22 July 2022
Last date for application is: 08 August 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং : য়াইতম্বা
ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম

